ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওগষ্ট ২৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৫২শুবা মশীং

# পুলিসপু লান্না শীজিন্নবীগনু

## ফজবা মশক তোপ-তোপ্না লৈজসনু

মণিপুরদা 'পুলিস' হায়বা ৱাহৈসি অদুগুঁ ষ্টেটসিনা এপ্রিল ২৩, ১৮৯১গী এংলো মণিপুরী লানদা মায়থীরবা মতুং এপ্রিল ২৭, ১৮৯১দগী বৃটিশনা লৈঙাক চুপ্লি পায়শিনখিবদগী লৈবা হৌরকখিবনি। মসিসু পুলিস হায়বা ৱাহৈসি খক্তং হান্না থোরকখিবা নত্তে। অহানবদা 'ষ্টেট মিলিটরি পুলিস' অমদি 'মণিপুর রাইফলস' নচিংবা হায়না হৌদোরক্লগা কোন্না 'পুলিস' হায়বা ৱাহৈসি খক্তং ওইরকখিবনি। মসিদগী জন্যুৱারী, ১৮৯৩দা ইহান হান্না 'ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন' লিংখৎখিবদগী মথং মথং লাকখিবনি। বৃটিশ এদমিনিষ্ট্রেসনদা কুমজা ১৯১০দগী অসাম পুলিস মেন্যুলনচিংবা পুশিল্লক্তুনা শীজিন্নবা হৌরকখিবদগী মথং মথং মসা-মরেং ফন্দোরক্তুনা ঙসিগী মোদর্ন পুলিস অসি ওইরকখিবনি। মসিনা বৃটিশনা মণিপুরগী লৈঙাক চুপ্লি খূৎপায়নখ্রবা মতুংগী ৱানি। মপান্দগী লাকখিবা পৱর অসি য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মতমদসু লৈবাক নিংথৌগী মখাদা 'লাল্লুপ' হায়বা চৎনবী (সিষ্টম) অমা লৈজরকখি। লৈবাক মীয়ামগী পুন্সি অমসুং মখোয়গী মরল মথুমশিং ঙাক শেনবগী থবক-থৌরমশিং নিংথৌনা লাল্লুপ সিষ্টমগী মখাদা চত্থদুনা লাকখিবনি। অদুনা মণিপুরদা পুলিসকী থবকসি বৃটিশ লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙ, বৃটিশকী মতম অমসুং মখোয় চৎখ্রবা মতুং লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরক্লবা মতুংদগীনা হৌজিক ফাওবদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং হায়দুনা তাঙ্কক নাইনা মরোল মরোল লৈরক্লিবনি। মণিপুর পুলিসকী ফজরবা অমসুং লংলবা মায়থোঙ হৌজিক ফাওবদা অয়ূক নুংথিলগী নুমিৎ অমসুং নুমিদাংগী থাজ ওইদুনা তোপ-তোপ্না লৈজরক্লিবনি। লৈবাকসিদা মীয়ামগীনি হায়দুনা লৈরিবা, চৎনরিবা লোশিং এনফোর্স তৌরিবনি। লো এনফোর্সিং এজেন্সী অমা ওইরিবনি। তৌফম থোকপা মথৌদাং (দ্যুটি বাউন্দ) ওইবা থবকশিং পাঙথোক্তুনা অচুম্বা, অশেংবা অমসুং ফজবা হায়বশিং অসি শুনা য়াওরবা ফোর্স অমা ওইরিবনি।

অদুবু অসুক ফজখ্রবা মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসন অসিগী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈরিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু মশাগী পাঙথোকফম থোকপদগী নোংমদা পুং ২৪ (রাউন্দ দি ক্লোক) চিল্লবা থৌগাই পাঙথোকচরিঙৈগী চৈরক্তা লো-ফুল নৎত্রগা দ্যুটি ফুলগী মেন্দেটরিসু ওইদবা, ওইফমসু থোক্তবা থাক হন্থবা, চাওখৎতবা মওংগী থবক থৌওংশিং হেক-হেক নমদুনা পাঙথোকহনবগী থৌওংশিং থোরকপা য়াওই। থৌওংসিদি চুম্নগী লাইবক থীবা থৌওং অমা খক্কী ৱাফম নত্তনা লৈবাকসিগী লোগী লংলবা মায়থোঙদা হামুক তৈশিনবগুম থোক্কনি। তৌফম থোক্তবা অমসুং তৌরোইদবা থবকনি। অদুম ওইনমক পুলিসমেনশিংবু লান্না লমজিংবিবা, নমদুনা থৌজিল্লগা অরানবা তৌহনবা, কিহন-খংহল্লগা লান্না চৎহনবীবগী ফজখিদ্রবা থবকসি মকোক থোংবা ওফিসলশিংনসু তৌই। অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইনা মীয়ামগী লীদরনি হায়জবা ইলেক্তেদ পর্সনশিংগী মায়কৈদগীনা হেন্না খূৎমারকপা থেংনৈ। তৌহৈদবা থবকসি ঙসি ঙরাংখক্তগী ৱাফম নত্তে। তমথীরবা লায়না অমা ওইদুনা নাহল্লকপা কুইরে। মরম অদুনা হৌরক্লিবা মীওইশিংনসু মখোয়গী খোঙফম হন্দোক্কদবনি। দ্যুটি বাউন্দ ওইজরিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু লান্না শীজিন্নবিরোইদবনি। অদুগা মথৌ মশক খঙবা পুলিসশিংনসু ট্রান্সফরগী, পোষ্টিংগী, সর্ভিসকী এন্যুএল কনফিদেন্সিএল রেকোর্দ (এ সী আর), রিৱার্দ, মেদল নৎত্রগনা প্রমোসননচিংবদা হনচক-ঙাচক শারক্কনি হায়বগী নুংনাংবা তৌদনা লো-ফুল দ্যুটিশিংবু কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোইদবনি। তৌগদবা দ্যুটিশিং খক্তমক মতম পূন্নমক্তা চেকশিন্না দিসচার্জ তৌনবা হোৎনগদবনি। অন-লোফুল ইনফ্লুয়েন্স অমত্তনা খাবৈ-খারা শাহল্লকপা ঙমহল্লোইদবনি। ফীভমসিদা চত্থরগদি হৌজিক ফজদুনা লৈরিবা মণিপুর পুলিসকী মায়থোঙদা সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম শোয়দনা থোকহনগনি খল্লি। লো এনফোর্সিং এজেন্সী অসিবু তরু-তরুনা থল্লিবমখৈ লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোনগী অশেঙবা ৱাহন্থোক লৈহনগদৌরিবনি। মসি খঙনা য়াইতোং-খমদোংবা, অঙম-অথৌশিং অমসুং ইলেক্তেদ পর্সনশিংনসু পুলিসপু লান্না লমজিংবীবগী থবকশিং তৌবীরোইদবনি। দিপার্টমেন্ট অসি ইশাগী, লন্নাইগী খুদোংচাবা, ওইজ-ওইথক খরখক্কীদমক নম্ফুদা শীজিন্নবিরোইদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *"পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।"* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) *"পুন্সিগী খোঙচৎতা"* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?

৩) *"নুংশিত্তি পাবা হৈতে"* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো?

৪) *"কনাসু ঐগী মিং খঙদে"* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) *"নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্‌ত্রৈ লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।"* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অহিংবা লোল

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

অহিংবা লোল করম্মাইনা তৌবগে হায়বসিনি। অহোংবতনা থনবা হায়বসিনি অহিংবা লোলগী মতৌ। অহিংবা, হিংলিবা, শ্বর তৎত্রিবা লোল অমা হায়বসি অহোংবনা থনবা মশানা তাবনি। অশিবা লোল হায়বা অসিনা অহোংবা অমত্তা লৈত্রবা লোল ওইরি। অশিবা লোলদি অনৌবা ৱাহৈ চঙলক্ত্রে। অনৌবা লোলগী ওইবা মশক, মশাগৎ, মরমচৎ অদু চপ লেপ্তুনা লৈখ্রে মখা তাদ্রে অশিবা লোল অদুদা।




অনৌবা অওনবা কয়া লাকপা হায়বসি ফৈ হায়বা য়াবা মতাং কয়া অমসু লৈ। ফৎতে হায়না লৌবা য়াবা মতাং কয়া অমসু লৈ। ফবা ফত্তবা হায়বা অসিসু মী মীগী ৱাখল ওইনা তৌনৈ। অদুবু মসি মী মীগী ৱাখল ওইনা তৌহন্নীংদবা মতাং কয়া অমসু লৈ।

হাওদৈজাম্বা চৈতৈন্যগী মতমগী ৱারেং অমদা য়াওরিবা মণিপুরী লোলগী ভোকেব্যুলরি অমদি ৱাহৈ পরেং খূৎশেম অমদি লোলগী অকূপ্পা মশক অসি হৌজিক মতমগী মণিপুরী লোল অসিগদি ওখাক শাথীনা খেন্নখ্রে। চাউবা, কমল, অঙাংহলগী, মিনকেতনগী মতমগী ঙসিদগী চহী হুম্ফু-হুম্ফুতরা মমাঙ মতমগী মণিপুরীগদু হৌজিক্কী মতমগী মণিপুরিগসু য়াম্না খেন্নরে। ১৯৮০ মতমদা ফোঙবা মণিপুরী পাউচেগী ৱাহৈ ৱাতা লোন্দাগসু মসিগী মমাঙগী মণিপুরী লোলগসু অমুক য়াম্না খেন্নখরে। ২০১০গী মতুংদা স্মার্ট ফোন অমদি ইন্টরনেট থোরকপা মতুংগী মণিপুরী লোলগা ২০২১গী মণিপুরী লোলগসু য়াম্না শাথীনা খেন্নরে। ২০৩০ অদুৱাইদা মণিপুর লোল অসি করি করম হায়না তৌবা মওংদা লাক্কদগে হায়বসি খনবদা মম্মী। মসি হোংবা নাইবা অহিংবা লোল অমগী মশকনি হায়দুনা হরাউফম অমুক থোক্লিবরা হায়বসু হংনীংঙাই ওই।

হোংলিবা, হোংখ্রবা অমদি হোংলক্কদৌরিবা ময়াম অসি ঐখোয় দোক্যুমেন্ট তৌদুনা থম্ফম থোক্তবরা? নৌনা হোংলক্লিবা লোলগী মতৌ অসি ফজনা দোক্যুমেন্ট তৌহৌদবা তারবদি মতম খরগী মতুংদা পুয়া পাবা মতমদা অর্থ খঙবা মী খক্তনা খঙবদৌনা তৌরক্কনি।

মসি লোল অসি মাঙনবগী মচাক ওইরক্কনি। ঙসি ঐখোয়না মরু ওইনা নহাশিংনা শীজিন্নরিবা ভোকেব্যুলরি অসি মতম খরা লৈরগা চৎনরক্লোই। লোয়ননা কাউনখ্রগনি। মসি চেদা ইহৌবা অমত্তা নত্তে। মতম খরা লৈরগা নৌনা থোরকপা, লাকপা মীওইশিংনা লোইনা কাউনখ্রগনি। মতম মতমগী ওইবা শ্লেং, জার্গোন হায়বা য়াম্না ইনফোর্মেল ওইবা ৱাহৈশিং অসি লোইনা কাউনখিগনি। চৎনরক্লোই।

ঙসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা হান্নদগী লৈরকপা অচোপ-অরেমগী ওইবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অসি মীয়াম মমাঙদা ফোঙনা শীজিন্নবদা করি অমত্তা কায়দবা, ইকায়নীংঙাই ওইদবা ৱাহৈ ওইনা লৌনরকপগী মমি তারে। মীগী মমাঙদা ফোঙনা হায়নরে। ৱাহৈগী মমল মাঙখরে। লোলগী ফজবা মাঙলকই। তাবদা শাউনীংগদবা ৱাহৈ, অশাউবা ৱাহৈ ওইরক্তরে, তাবদা ইকায়বা পোক্কদবা ৱাহৈ, ইকায়বা পোক্তবা ৱাহৈ ওইরক্লে। অথীবা অকাম-অপেৎ ওইবা ৱাহৈশিং মীয়াম মমাঙদা ইফোঙ ফোঙনা নুপামচা-নুপীমচাশিং মখোয় মশেল ইচম চম্বা ৱাহৈ ৱাতাদৌনা ঙাঙনবা থেংনরুবদা নুংঙাইজদবা ফাওই।

অহিংবা লোলনি হোংবা য়াই হায়দুনসু পঙহোংদা হোংবসু লোল অসি শিনবা মচাক ওইরক্কনি। নুপীনা নুপাদা ইতৈ কৌদদনা ইবাই হায়না কৌবা তারে। অহানবদা ফাগি-ফাগি কৌনরম্বা য়াই, হৌজিক্তি চাননা ইবাই হায়না নুপীনা নুপাদা য়াম্না লেম্না কৌনরে।

ঐনা হায়জনীংবদি লোল হায়বসি অহোংবদি নাই। অহিংবা লোল ওইরবদি। অদুবু অহিংবা লোলনি হায়দুনসু ঐখোয়না থোইনা হৈ শিংলুদবদগী হৈতদুনা পঙহোংদা হোংদোকপা পঙশেমদা শেমদোকপা হায়বসিসু অফবা নত্তে। ইমা লোলনি হায়দুনসু লোল হায়বসিদি ঐখোয়না হেক্তা হৈরনি হায়বা লৈতে। চুম্না ঙাঙবা, চুম্না ইবা হায়বসি তমদবা য়াদে। গ্রাম্মার কায়বা হায়বসি য়াদে। লোলদগী গ্রাম্মার লাকপনি হায়রগসু গ্রাম্মার অদু ময়াম্না মান্ননা খঙমিন্নরবদি লোলগী ফজবা ওই। হোংলক্লিবা লোলগী মশক অসিমসু ঐখোয়না নীংথিনা দোক্যুমেন্টেসন তৌবা অমসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি।

ঐখোয়গী লোল মতম চূপ্পদা হিংদুনা লৈরসনু। হিংলিবা লোলনি হায়দুনা মানা মানা থোকপা পংহোংদা হোংদোকপা, শেমদোকপদি ফত্তবা ওইবা য়াই। ●

# মালেম পূম্বা চমম্নহনবা ঙম্বা

**নবকুমার ওইনা**

কোভিদকী ৱানরবা মতমদা চমম্নবা অমদা লৈরিবসি ঐখোয়দরা হংবা য়াবা ৱাহংনি। খঙদবশিংদা অরায়বা লৈবা হৌনদে, থবক শুদবশিংনা মহয় চাবা হৌনদে। ফুরুপ অমদি লান তৌবা লেপ্পা লৈরমদ্রে, মায় পাকখ্রে। কোভিদনা চমম্নবা পোকহনবনি হায়গদৌরিব্রা, লান্না চমম্নহনবনি হায়গদৌরিব্রা, ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নবা য়াওরে। অমুক্তবু উদ্রিবা এরোপ্লেনগা মীগা লমজেল তান্নবসু উহল্লে। হন্দক্কী চহীসিদা নোংমৈনা লৈবাক পায়শিনবা অনীদি উরে।

মীওইবনা পাল্লিবসি করিনো? মালেমগী মীয়াম্না পাম্নরিবসি লমদমসিগী মীয়াম্নদি পাম্নদবরা? মীওইবগী ৱেলফ্যের হায়বসি চাবা-শেৎপা ৱাত্তবা হায়বসিতনা ওইরি হায়গদৌরিব্রা? মীয়াম্না অদুম উনরিবনি, চাবগী শেৎপগী ৱাফম থোইনা খল্লুদবা অঙাংশিংনা চাবগী, শেৎপগী মনিং থুংদ্রিবা ইমুং কয়াগী অৱাবা উদবীদা দ্রগ চাবা, হোটেলদা ঙাওজবা মশীং নোংম-নোংমগী মফম কয়াদা হেনগৎলক্লি। মমা-মপা ওইবশিংনা করি অশোয়বা তৌখ্রবগে? মদু খঙবা মমা-মপা কয়া লৈরবা, মখোয়না কৈদৌদুনা লৈরিবা? মমা-মপানি হায়রিবশিং ৱাখল্লোন মান্নদবা, পুন্দবগী ওইবা তারক্লি। মচা শেন্নবা ৱাৎপা, থবক শুবা চখোকপা, শুদনা চাবা পাম্বা, মচাদা থবক শুবা তম্বীদবা, মচাদা পাখোন ফাওবা হায়নীংদবা, মীগী মচানি খল্লগা দ্রগ য়োনশিনবা, ফরবসু ফৎত্রবসু ফরে-ফরে থাগৎশিন্নবা, মমৈথংদা মচাদুনা হুরানবা ওইরক্লবসু ৱারকপা ঙমজদ্রবা মমা-মপা ময়াম য়াওরক্লবা হায়বসি খুন্নাইদুগী হিংনবগী লম্বী মমশিল্লক্লবনি হায়গনি। মীওইবনা পাল্লিবসি মমৈথংদা মচাশিংনা হুরানবগী খুন্নাই অমদা হিংহল্লম্বা অদুরা? পামদে হায়শিন্নগনি, লাইননি হায়গনি। মমা মপা ওইবশিংগী অশোয়বা অমা ময়েক শেংনা থোক্লক্লি, লিংজেলসু মান্নদে খঙই। হুরানবগী খুন্নাই ওইনা উরক্লবনি, মশা মশাসু হুরানবদা অদুমক য়াওশিন্নখিনি, ইকায়নদ্রে। শেমদোকপা পাম্মী হায়বশিংসু নাকল অমদা হুরানবা হেক্তা য়াওরম্বগী ৱাদা লৈরে। হুরান্নগুমসিদা হায়বসু ইকায়রে, হায়রুরগা হুরানবনি লৌখিনি, হুরানবা মশেল থাজনদ্রবনি। ইখঙ খঙনবা ৱানি, হুরানবা ঙমদবশিংদি পাঙদবনি।

অমনা অমগী অৱাবা খঙবা, মতেং পাংনবদি ৱায় চায়রে। করিদনো অমদি কান্নবা ফংলম্বা য়ারি, মীংচৎ উরোং খিন্নবা হায়বদুনি, ভোট লেপ্পকপসু য়াওনরক্লি। মতেং পীখ্রে, লম্বী শেমখ্রে, চেঙ-হৱাই য়েনখ্রে হায়বসিনা খুরক হাংদ্রবনি, লৈঙাক হায়ব'মা লৈরি হায়বদু মরক-মরক্তা কাউরক্লবনি। তেংবাঙ পীবা হায়বসি লৈবাক মচা তাবা ৱাখল্লোন্নি, মীওই খরদি অদুম নিরগা চাবা তারক্লিব্রা? মখোয়গী ৱাখলগী থাক অদু ওইনা চমম্নবা ফাওরকই। লাইনীং অমনা নিরগা চাবা য়াই, লাইনীং অমনা নিরগা চাবা য়াদে (নিবা পামদে), দান তৌরগা লেম্না য়েনবনি হায়। লায়রবা অমবু ইনাকখুনবা তরানা শৌগৎপা ঙমদে হায়বা অমা লৈরি। করি হায়রিবনো হায়বা থিরবদি অপঙ-অশিং নায়বগী ওইগদৌবা মাল্লক্লি। মরীল তনবা, মপুক ফত্তবা হায়বা অমসু য়াওশিনবা য়ারিবনি। জ্যেন লাইনীং চৎপা ইপা অমদা অঙম্বা কাবদু মতেং পাংগে হায়রুববু 'নো থেঙ্কস' ঐ ঙকখি, 'ঐনা হেক ঙম্বমখৈদি হোৎনখিগে।" মাগুম্বা লায়রবা লৈরবদি ইনাকখুনবা তরা কান্নরোই। লাইনীং নাতৈ চাদবা ওইরবদি লাইরবসু য়ারি - ফজনা ঙাঙনগে ঙাঙনজৌ, ফত্তে হায়গে হায়জৌ, হুরানবনি হায়গে হায়জৌ, শেল পায়দবা য়াদে হায়বসিসু লাইনীং অমা ওইরিবনি। হুরানবা য়াদে হায়বা লাইদুবুদি হুরাল্লবসু ইয়া য়ারিবা লাইদুনা মীয়াম্না খুরুম্নবা হেল্লিবনি, লাই খুরুম্বা মীসু য়াম্না হেনগৎলক্লিবনি। লাইশঙদা সনা য়োম্বসি লাইদুনা নত্তে, লাইদু নীংলিবশিংগী থৌনাদুননি। লাইদুনা পীবসু নত্তে, লাইদু নীংবগী থৌনাদুনা মহয় চাবনি। লাইদৌনা শাজৎ চুম্না চৎলগা লাইদা কৎপনি হায়বদি থাজবা ঙম্নরোই। পাপ কোকপিরগা লাইনা শেল লৌবা তাগদৌরিব্রা? থবক কনবা মী ময়ামগী লাইদুনা শেল খোমজিনবা হেনবা মশানা তাবনি। থবক শুদবা মীয়ামগী লাইদি থোং লোল্লগা লৈবা তাবনি, হরাওবা য়াদে হায়বফাওবা য়াওরিবসিনি। শেল পায়দবা, থৌনা লৈতবশিংনা লাৎপা ওইগদৌরিবনি। মীয়ামদা চমম্নহনবা লাইসু লৈরি, চমম্নহনবা মীওইবগী শাজৎ ময়াম্মা লৈরি।

লাইদি য়াম্না নীংবা, মীগী শেল ময়াম হাৎপা মীসু লৈ। মানা লাই খুরুম্বদু উবদা য়াম্না ঙকই। মহাক ওইনা ঙক্তে, লাইদু ওইনা চমম্নে। মরম চাদনা মীগী মতেং পাংগে হায়বসি লুরম্লে। নুপীনা লৌখিবা শেল থৌবনা হেন্না লুরে, কপশিন্নবা, মী লল্লগনা মতোমতা ফি শেগায়বা য়াওবগী ৱাসু লৈরি। পুকচেল শেংবা ঙম্নদ্রে, দান তৌবগীসু পাপ লৈরে। ঙাদা, ষণদা, য়োংদা, লৈত-লায়রদা দান তৌরগা পাপ কোকই হায়বা লৈ। কোকথোকপা য়াবা ওইরবদি পাপ তৌবা কৈদৌবগে হায়বদা লাকখ্রে। মশাগী ৱাখল লায়না কোক্লবা লাইদা খরা কৎপা ওইরবদি লাইদু শেল চাবা হায়বদু ওইরোইদ্রা? হুরানবা নৎত্রগা মপুক শেংদবদু লমদম্নবা য়াওরক্লিবসি লাইননি, লাইনা চৈরাক পীবা হায়বা লৈতে। লাই কিরক্তবা হায়বসি লাইদগী মীনা হেন্না চাউবা মাল্লকই। মমৈদনা লাই হায়বসি মী হেক্তা ওইবগী ৱাদা লাক্লি। মদুমক ঙমজদবা মীশিংদনা লাই হায়বসি মী নত্তবগুম চমম্নহল্লিবনি। নাকল অমদনা লাইননি হায়রগা মী হাৎপা য়াহল্লি, মীমাংদা নুপী ফূবা উরি, লান হৌবসু লাইননি হায়বা য়াওরক্লি। লমদম অসিদদি লাইনীংগী মনুং চল্লি হায়গেরা, এদ্যুকেসনগীনি হায়গেরা লাই ওইনা শেমগৎপা ঙম্বা মী ইরৈ লৈতে, উদে। লাইনীংগী ওইগেরা লৈঙাক্কী ওইগেরা লালহৌসু মালেমগী মওংগা ইমান মান্নদে, লিংজেল মান্নদে। মীওই খরনা মাগী মাগী মায়কৈদা চিংলগা চৎনবগী মওংদা লৈ। লাইসু মীসু চমম্নবা অসুম হেনগৎলকই। ওর্গনাইজ তৌবগী প্লেটফোর্ম শেম্বা ফাওবা লোইদ্রিবা মাল্লি, চহী য়াঙ্খ্রে ৱা খন্নবা লোইবা ঙমদে। তূমদবা মী হৌদোকপা অৱাবা ওইরমদ্রে, হৌদোক্লুরগা নাকল অমদা চৎখিবগী ৱাদুনি। পুনবা হায়বসিদা চমম্নবা ওইনা অদুমক লৈবা তারিব্রা? মায় পাক্লিবশিংগীদি পুনবা উনরিবনি।

শা-কৈ ফাওবা মফম কন্দুনা থম্নরবা মতমসিদা নুপীবু মীনি খনবা মান্দবা, শান্নপোৎকুম খনবা, লন-থুম ওইনা লৌবা, গন কলচর অমদা লাইসু থম্বা হায়বসি লাইনীংনবু করি কান্নরিবগে? মুন্না খন্থরবদি লাইগা শম্নদবা মাল্লি। শা-কৈ হাৎনবা শাখিবা নোংমৈনা মীদা ওনশিন-ওনশিন কাপ্নরবনি। লৈবাক ঙাক্লম্বা সিফাই লৌথোকখিবা হায়বসি কোরোনা নারিবা মীদুদগী ওক্সিজেন পাইপ শত্তোকখিবগুম্বনি। শিরবদি মশাগী ইম্যুন য়াওজরমদবদুনি, ঐ হিংগে নঙ শিউ হায়বগুম্বনি। নোংমৈনা ঙম্বা হায়বসিবু থায়নগী থাঙ-তাগী লান্দুদগী কয়াবু য়াম্না খেন্নরবগে, খেন্নরিবদি খূৎলায় অদুতবু মাল্লি, মী হাৎনখিনি হায়বনি। স্কুল, কোলেজগী, লাই নীংবগী কান্নববু করিনো চমম্নবা হেনগৎলকইবনি।

মালেমদা মীওইবনা লৈরিবসি নোংম-নোংমগী মশক থিজিনবা হেনগৎলক্লি। কোই কোক্তবা, ঙাবোং ইল্লগা লৈজবা মরকসিদা তাই পুনবা য়াওশিল্লকইবনি। শম কক্লবা কাটি শারুবা, কোয় কোক্লবা ব্লেদ শারুবগী কান্নবসি শেন্দোং পাম্বরোমদা চৎখ্রবরা? নুপীবুনা ফিরু কুপশিল্লগা থম্বা হায়বসি তাবদা, উবদা চমম্নবা হেল্লকই। ইচা য়াম্বগী কান্নবা খঙদবা ফুরুপ্না মুৎচখিবা তারক্লি। নুপীশিংনা খুন্নাইদুদা লৈরিবা নুপী মশীং, নুপা মশীং খঙনা ৱাখল খল্লব্রা, অওক-অপা শাবী খরনা পংহায় হায়রগা লৈঙাক্লা পংইন ইনগনি হায়বসু থাজদে। য়ু থক্ত্রগা, মচা পোক্ত্রগা খুন্নাই অমা হিংলগনি হায়বদি লৈতে। ফিরু কুপ্লগা করি অরোনবা শাগৎপা য়াওরগে খল্লিবা। নুপী খুন্নাইনা কিবা, মালেমগী মীয়াম মমাঙদা অসুম্না ফোঙনা ঙাঙনবসিবু লৈবাক শেম্বা কৌগদৌরিব্রা? লমদম অসিদসু নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ৱাথোক অদুমক থোক্লকপা য়ারিবনি। মতম অদুদা ঙসি চমম্নরিবা অসিদগী হেঞ্জিন্না চমম্নবা ৱাফম কয়া থোক্লক্কনি হায়বা ঙসিগী মীয়াম্না খন্নফম থোকপনি।

লমদম অসিদা চমম্নবা হেঞ্জিল্লক্লিবসি মরু ওইনা হীরম অনীনা ওইরি হায়বা য়ারি। লাইনীংগী নীংতম্বা অমা চঙলকখিবদগী মী ময়াম অমসু চঙলকপগী অথিংবসু লৈখিদ্রে। মী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী শক্তমসু হোংলকখি। চহী চহুমগী মমাঙদগী য়েলহৌমীশিং শোন্থবা হৌরকখ্রে, ঙসি ফাওবা মেনখৎপা ঙমদ্রি হায়বসি খঙলবসু হীরম চুম্না চঙশিনববু মান্নরি, মান্নদরি। লিংজেল অমা শাগৎপদা য়েৎনরিবা হায়বসি ৱাখল্লোন্দা য়েৎনবা লৈবা ওইগনি। ৱাখল্লোন মান্নদবগী মরমসু লাই থাজবদা মান্নদবগী ওইগদৌরিব্রা? লাইনা চমম্নবা অমদা লৈরগা মীনা লৈখাই তাবা ঙম্বা হৌনদে। মসি পূন্নমক মালেমগী মীয়াম্না খঙবা হৌরক্লবনি, লমদমসিগী লাইবুসু ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি ফাওবনা খঙলবনি। ঙসিদি হান্না চমম্নবা লৈরল্লবসু কোকপা য়ারবনি। খ্বাইদগী চমম্নরিবদি লমদমসিগী লাইরিক হৈবশিংনা লাইগী ৱাসি লৈখায় তানা ঙাঙনদবা মানবসিনি। মদুমক্লা লৈঙাক্তসু শেল চাবা, ভোটতা শেল লৌবা, লাইদনা শেল পংকৎ কৎপা চমম্নবা শাজৎ ময়ামসি শেমগৎলকপা মাল্লক্লি। লাই ফাওবা লৈখায় তাদবা, মীয়ামগী লৈঙাক্তি চমম্নবা তাবনি। ●